# এদিটোরিয়েল

ইম্ফাল, ইঙাগী ১২ নি পানবা, শগোলশেল, মে ২৮,২০২৬ ইং

## মণিপুরদা মৈরা পায়বী নুমিৎ

### মৈরা পায়বীশিংগী থৌদাং তঙাইফদবা হেল্লক্লি

মণিপুরদা নুপীশিংনা খুন্নাইগী লৌরকপা থৌদাং অসি ঙসি ঙরাং খক্কী নত্তে। পূৱারীগী লাতমদসু লৈবাক কনবগী, নিংথৌ কনবগী, খুন্নাই কনবগী ৱারী শিংবুল কয়া অমা লৈ। কুমজা ১৪৩২ দগী ১৪৬৭ ফাওবা মণিপুরদা পানখিবা নিংথৌখোম্বগী লোইনবী লৈমরেনবী লিন্থোইঙম্বীগী ৱারী ঙসিগী মীরোলনা অদুম নীংশিংদুনা লৈনরি। মপুরোইবনা লান চৎখিবগী খূদোংচাবা লৌরগা লান্দারকপা য়েক্লবা কাঙবু অমা লিন্থোইঙম্বীনা নিংথৌগী ফিজোল শেৎচিন্দুনা লান্দারক্লিবশিং অদুবু হরাও তয়ান্না কোনুংদা কৌশিনখি। মখোয়বু ময়াক কনবা য়ূ তপ তানা পীথকপদগী তুদুনা লৈরিঙৈদা লৈমরেম্বীগী লান্মীশিংনা মখোয়বু ফাজিল্লিগা থমখি। অসুন্না য়েক্লববু মায়থীবা পীবা ঙম্বী ৱাখল চাউবা হৈশিংবা নুপী কয়া যান্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী মণিপুরদা লৈরম্মী হায়বসি ঐখোয়না খঙনরবনি। মণিপুরদা অহানবা নিংথৌ ওইখিবা মৈদিংঙু পাখঙবগী লোইনবী লৈস্নাগী মতমদা পাচা লোইশঙ লিংখৎতুনা নুপীশিংগী ওইবা ৱায়েলশঙ মণিপুরদা যান্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী লৈখ্রবনি। মসিমক্না নুপীশিংগী থৌদাং অসি মৈতৈ খুন্নাইদদি যান্না চাউই। খজিক্তং থেংথরকপদা হায়রনা কুমজা ১৯০৪ দা মণিপুরদা থোকখিবা অহানবা নুপী লাল অদুসু নুপীশিংনা খুন্নাইদা লৌবা থৌদাং অদু উৎথোকপনি। মৈনা চাকখিবা বৃটিশকী লৈফম অদু মৈতৈ নুপাশিংনা তমুদগী উ য়াল্লুরগা ইম্ফালদা পুরক্লগা নৌনা শাগদবনি হায়বা য়াথং অদু চৎনবা য়ারোই হায়না নুপীশিংনা বৃটিশকী মায়োক্তা হৌখিবা লাননি। কুমজা ১৯৩৯গী দিসেম্বর ১২ দা থোকখিবা অনীশুবা নুপী লাল অদুসু ঙসি ফাওবা ঐখোয় পুন্নমক্না কাওদ্রি। দি গ্রেদ দিপ্রেসন থোকখ্রবা তুংদা মণিপুরদা পোইনুগী মতমদা সনাকৈথেলদা চেঙ খুয়া অমফাওবা ৱানগে হায়বা ফংলমদে। মদুনা মরম ওইরগা মপান লমদা চেঙ থাদোকপা লেপকদবনি হায়না অচৌবা ঈহৌ অমা হৌরকখি। ঈহৌ অদুদা নুপী কয়ামরুম শোকখি। তুংদা নুপীশিংনা ঙমদুনা মণিপুরগী ৱাংমদা চেঙ থাদোকপা থিংহনখি। হায়রিবশিং অসি ঐখোয়গী মাঙদা মথং মথং থোকখিবা পুৱারীগী ৱারীশিংনি। অসুন্না মরু ওইনা মৈতৈগী নুপীশিংনা খূন্নাইগী অৱাবা তারকপা মতমদা হৌনরুবা তৌদনা চোংথোরক্লগা পূন্না ময়ামগী থবক তৌরকখি। কুমজা ১৯৭০ গী অদুৱাইদা লৈকায় লৈকায়দা নিষাবন্দি হায়দুনা লৈরম্মী। ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবশিং নুপীশিং অদুনা থিংলম্মী। য়ু য়োনবা ফারম্মী। য়ু থকপসু চৈরক পীরম্মী। অদুগুম্বা নিষাবন্দি হায়না খঙনরম্বা লৈকায় লৈকায় নুপীশিং অদু কুমজা ১৯৮০ অদুৱাইদদি মৈরা পায়বী হায়দুনা মীওইবগী পুন্সি কনবগী খোঙজং ওইনা ওন্থোরকখি।

কুমজা ১৯৮০ গী অদুৱাইদা মণিপুর লৈঙাক্লা লালহৌবগী ঈরাং লাকশিন্নবনি হায়দুনা দষ্টর্ব এরিয়া ষ্টেটস লাউথোরকখি। আর্মদ ফোর্সেস স্পেসিয়েল পৱার এক্ট ১৯৫৮ চৎনহল্লক্তুনা লান্মীশিংদা মী হাৎপগী মতিক ময়াই পুন্নমক পীশিল্লকখি। অসুন্না চীং অমসুং তমদা লৈরিবা নহা ওইরিবশিং লান্মীগী, পুলিসকী এৱার্দ তানফম ওইরকখি। লালহৌবা নমথবগী মিংদা মীচম মীয়াম ফারগা ওৎ নৈবা, ময়ূমদগী ফারগা পুখ্রবা মতুংদা কাপ্পবদা শিবনি হায়দুনা অশিবা হকচাং ওইনা ফংলকপা, মী ফাদুনা পুখ্রগা থিবা খঙখিদবা ময়াম অমা মথং মথং থোক্লকপদগী মপারিশিংগী পূন্সি কন্ননবা মমোমশিংগী ইকাই খূন্নবা ঙাক্লবগীদমক অয়ূক নুংথিল নুমিদাং থিদনা নুপীশিং লম্বীদা থোক্লরকখি। মৈনম পায়দুনা লৈকায়দা আর্মি লাকপশিং থেংনরকখি। লান্মীশিং অদুবু মৈরা পায়বীশিং অদুনা কোইশিল্লগা থমদুনা মরাল লৈজদবা মপারি কয়ামরুম কনখি। অদুগুম্বা মৈরা পায়বীগী ঈহৌ হৌরকখিবা নুমিৎ অদু মে ২৮ অমসুং মে ২৯দনি। ঈহৌ অদু ককৱাদা ইহান হান্না হৌরকখি। অসুন্না হায়রিবা মৈরা পায়বীগী ঈহৌ নুমিৎ অদুবু নীংশিংদুনা চহী খূদিংগী ওইনা নুমিৎ অসিবু তোঙান তোঙানবা নুপীগী লূপশিং অমসুং নুপাগী লূপশিংনা মণিপুরদা মৈরা পায়বীগী নুমিৎ হায়না থৌরম পাঙথোক্লদুনা লাকখি। ঙসি মৈরা পায়বীগী নুমিৎনি। থৌনা ফরবী লৈখিদ্রবী ইমাশিং অদুনা মপারি মমোমশিং কন্ননবা লৌখিবা থৌদাং অদু ঐখোয় পূন্নমক্না ঙসিসু নীংশিংলি। লাইওইখ্রবী ইমাশিং অদুগী মফমদা মচা ঐখোয়না কোক নোন্না খুরুমজরি। মণিপুরদা মৈরা পায়বীগী ঈহৌ শাগৎলম্বা ইমা অয়াম্বা ঐখোয়গী ইরক্তগী চৎখ্রে। অদুবু মখোয়গী খুদুং ইন্দুনা ইমা ময়াম অমনা মপারি মমোম কন্নবগী থৌদাং লৌরগা লৈরি। হৌজিক হৌজিক হিংলিবা ইমাশিং অসিনা লৌরিবা থৌদাং অসিসু মতম অমগী ইমাশিংনা লৌরম্বা থৌদাং অদুদগী তাবা নত্তে। অদুবু লাইবক থীবদি মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা কাঙলূপকী ঈরাং অমসুং মণিপুর থুগায়ননবগী লাংলৌ কয়া চত্থরি। ময়াম অসিগী মরক্তা ইমাশিংনা তৌগদবা থবক ময়াম অমা লৈরি। মণিপুর কন্ননবগীদমক হৌজিকসু মীওই কয়াগী কত্থোকপগী তঙাইফদবা লৈরি। মণিপুর কন্ননবগীদমক মীয়ান্না থেংনরিবা দেমোক্রেটিক ওইবা লানফম অসিদা ইমাশিংনা য়াওশিনবীদুনা মণিপুর কনবদা থৌদাং লৌবীয়ু। ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা কুমজা ২০২৯ ফাওবগী মনুংদা নোর্থ ইষ্টতগী খূৎলায় পায়বা লালহৌবশিং মুত্থৎকনি হায়রিবসিনা করিগুম্বা মতমদা মীওইবগী ফংফম থোকপশিং মৎপা তানফম লাকপদা হ্যুমেন রাইটস এক্তিভিস ওইনা থবক তৌবীয়ু। নপারি মমোমশিং কনবীয়ু। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি পলেম ওইবীশিং খ্বাংদা খ্বাংচেৎ শেৎতুনা, শল্লাং তুংদা পুন্দুনা মণিপুর কন্নবগীদমক মৈরা পায়বীগী ঈহৌ শাগৎপীয়ু। হৌজিক্লা হেন্না মৈরা পায়বীগী থৌদাং অসি মথৌ তারক্লে। ইমাশিংগী হোৎনবতনা মণিপুর কনবা ঙমগদৌরিবনি। নপারি মমোমশিংগী পুন্সি কনবা ঙমগদৌরিবনি হায়জনিংঈ।




# ‘ৱার ওন দ্রগস’ মায় পাক্লবা, উমং য়োকখৎনবা ইকোলোজিকেল টাস্ক ফোর্স লিংবা মথৌ য়ান্না তারে

আইন্না য়াদবা মওংদা পাক শন্না চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা পোপ্পি (কানি) থাদুনা দ্রগ করবার তৌরিবশিং ফাবা অমদি ষ্টেট অসিদগী দ্রগ করবার তৌবশিং পুমথিং থিংবগা লোয়ননা লৈবাক লৈহাও মাঙহন্দুনা লেন্দস্লাইদ (চীং নীংখায়বা) অমসুং মদস্লাইদ ( লৈনাং চেন্থাবা) কয়া থোকহল্লিবা অমসুং নোংজুগী চাং হন্থরকপদগী ঈশিংগী অৱাবা লৈহল্লিবা। থোকহল্লিবা, তুরেলগী ঈচেল কংহল্লিবা। পীকশিলহল্লক্লিবা, পাৎশিংগী ঈশিং ময়েং তারকইবা, লৌউ শিংউ তৌবদা ঈশিং মরাং কায়রক্তবদগী লৌমী শিন্মী কয়া শিনফম থাদোক্লরকপা, অসিনচিংবা কয়া অসি য়েংলগা লৈঙাক্লা অথুবদা ইকোলোজিকেল টাস্ক ফোর্স ষ্টেট অসিদসু লিংখৎপা য়ান্নমক মথৌ তারে হায়জনিংঈ।

লৈবাক মীয়ান্না, অপঙ–অশিং খাক্তনা, খঙনরবা, য়ানরবা ৱাফম অমদি চিন–কুকি কাঙলুপকী মীওইশিংনা নন্না খুন্দাবা চীংগী মফমশিংদা কানি পাম্বী ( পোপ্পী প্লান্ট) থাবগী থবক য়ান্না চাউনা মায় পাকনা চত্থরি অমসুং এন্তি–সোসিয়েল ওইবা মীওই কয়াগী লায়না শেল তানফম ওইরি। মমাঙ চহী খরদা অমসুং ইং ২০০৪ দা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী গোপিবুং। কৈথেলমানবীদা ভারতকী মনুংদা য়ান্না চাউবা মখলগী লৈনাং চেন্থবা (মদ ফ্লো) অমসুং লৈবাক কিন্থবা ( লেন্দস্লাইদ) কয়া চীংগী মফম কয়াদা থোকখিবা কয়া অসিনা পাক শন্না উজাও হৌবা য়াম্লবা উমং কয়া কোকথোক্তুনা পোপ্পী। কানি পাম্বী থানবগী থবক চৌখে হায়বসি ময়েক লারবা খুদম চাংদমশিংনি। শন্না হায়রবদা লৈবাক লৈহাও ফাজিন্নবা উমংগী উজাওশিংগী মরা মরাং কায়না লৈতবদগী লেন্দস্লাইদ, মদ ফ্লো তোয়না থোকহল্লে হায়বনি।

মরম অদুনা অমুক হন্না কোকখ্রবা অমসুং কোকথোরক্লিবা উমংশিং অমুক হন্না শেমগৎতুনা অকোয়বগী ফিভম ফগৎহন্নবগীদমক, লোয়ননা আইন্না য়াদবা মওংদা পাক শন্না কানি পাম্বী। পোপ্পী প্লান্টেসন থাবগী চঙশিল্লক্লিবা থবকশিং থিংনবা হায়বদি ‘ৱার ওন দ্রগ’ লায়না মায় পাক্লবগী অতেনবা মতমদা লৈঙাক্লা পায়খৎপা য়াবা থবক অমদি ইকোলোজিকেল টাস্ক ফোর্স ( টেরিটোরিয়েল আর্মি) অমা নত্রগা অনী মণিপুর ষ্টেটকী ওইনা লিংখৎপনা ওইগনি থাজে।

ইকোলোজিকেল টাস্ক ফোর্স (ই টি এফ) হায়বসি টেরিটোরিয়েল আর্মিনি, মসি ইন্দিয়ান আর্মিগী য়ুনিট অমনি, মসিগী মথৌদি মশাগী ফিভম কায়থরকপা (ইকোলোজিকেল দিগ্রেদেসন) থিংনবা, হায়বদি রেষ্টোরেসনবু ইকোলোজিকেল বেলেন্স অমসুং অখন্নবা মহৌশাগী ফিভম শেমগৎ–শাগৎপগা মরী লৈনবা থবকশিংদা এক্স সার্ভিসমেনশিংনা মখোয়গী মিলিটরিগী ৱার্ক কলচর লৈবা এক্স–সার্ভিসমেনশিং অসিনা ষ্টেট। য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা লৈবা দিপার্টমেন্ট ওফ ফোরেষ্ট, ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জগী ওফিসিয়েল অমসুং এক্সপার্টশিংগা তান্নদুনা উমং শেমগৎপা অমসুং উমং য়োকখৎপগী থবক তৌদুনা অকোয়বগী ফিভম ফগৎনবা থবক মপুং ফানা তৌই। ই টি এফ অসি ভারত্তা হৌজিক্কী ওইনা দিল্লি, রাজস্থান, লাদাখ, জম্মু এন্দ কাশ্মির, হিমাচল প্রদেশ, পঞ্জাব, উত্তরখান্দ, মহারাষ্ট্র অমসুং অসামদা লৈ অমসুং অপুনবা থবক তৌরিবা য়ুনিট নত্রগা বাট্টালিয়ননা ২২ নি। হায়রিবা অকোয়বগী ফিভম ফগৎনবগী লৈরিবা ইকোলোজিকেল টাস্ক ফোর্স অসি মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেষ্ট, ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জনা ফন্দ থাদে নত্রগনা ষ্টেট গভর্নমেন্টশিং মশানা থবক তৌজে। লৈবাক্কী য়াইফনবা অমসুং মাদর আর্থ। মালেম ইমা অসিবু অশং–অমানতনা থনবা মফম অমা ওইহন্নবগীদমক মথৌ মশক খঙবা, মরৈবাক নিংবা, থবক্তগী পোত্থাখ্রবা আর্মিগী মীওইশিংনা পাঙথোকপা য়ান্না শিংথানিংঙাই ওইবা প্রোজেক্ট অমনি।

ই টি এফশিংনা মায় পাক্লা থবক পায়খৎলকপদগী শিংথানিংঙাই ওইনা নোং তারমদবা রাজস্থানগী থর দেজার্ট (মরুভুমিদো চীঙ্গোংলৈ থাদুনা নোং তাহনখ্রে (১৯৮০) অমসুং লাদাখ তসু উমং শেমগৎলকপদগী ১৯৭৩–৭৪ গী মতমদা নোং তাহনখিবা লৈখ্রে। উমং লৈরকপদগী চহীগী নোংজুগী চাং ফজনা থম্বা ঙম্বতা নত্তনা অহং অশাগী চাংসু লৈহনবা ঙম্লে, অনৌবা পাম্বী, শা–ঙা কয়াসু লৈরকপা। থোরকপা উরে, ঈশিংগী অৱাবসু লৈহন্দ্রে, হায়বদি তু–খোং ঈশিং মরাং কায়না লৈহল্লে অসিনচিংবা। অসুম তৌনা ই টি এফ না ভারতকী ষ্টেট। য়ুনিয়ন টেরিটোরি খরদা উমং শোকচিল্লকপশিং য়েংলগা উমং–ৱামং শেমগৎপগী। অকোয়বগী ফিভম নিংথিনা থম্নবগীদমক লিংখৎখিবা অসিগী মরু ওইবসি খনবীদুনা। খঙবীদুনা মণিপুর ষ্টেট অসিদসু ইকোলোজি ঙাকশেন্নবগীদমক অমদি ঐখোয়না থেংনরিবা মখল কয়াগী অৱাবশিং মরু ওইনা কানি পাম্বী পাক শন্না চীংগী লমদা থাবদগী ওইরক্লিবশিং অসি য়েংলগা তঙাইফদনা ই টি এফ লিংবা তঙাইফদবা লৈরে।

ঐখোয়গা য়ুম্লোন্নরিবা অসাম ষ্টেটতা ১৯৮০ দা লিংখৎখিবা ই টি এফ অনী– ই টি এফ ১৩৪ (ইষ্টর্ন প্লান্টরস) অমসুং ই টি এফ ১৩৫ (গ্রিন রাইনোস) না অসামগী মফম অয়াম্বদা উমং–ৱামং শেমগৎপগী থবক্তা মায় পাক্লা চঙশিল্লকপদগী উমংগী লৈগদবা চাংদগী হেন্না লৈখ্রে। নোর্থ ইষ্টতা পনবা তারবদা অরুনাচল প্রদেশ অমসুং মিজোরাম না উমং লৈবগী চাং অসি হেঙ্গৎপা ঙম্মী। অদুগা লেমহৌরিবা ষ্টেটশিং অসিনা উমংগী চাং হন্থরকপগী খুদম উৎলি।অসামদা ই টি এফ না মায় পাক্লকপদগী উমং কোকথোকপগী থবক থিংবা ঙমখ্রে অমদি উমং লৈবগী মশিংসু হেঙ্গৎখ্রে। উমংগী পোত্থোক লোৎনা হুরান চিন্থি তৌবা থিংবা ঙমখ্রে, প্রজাশিংগী পুক্নিংদা উমং য়োকখৎপগী থবক মায় পাক্লগনি হায়না থাজবা লৈখ্রে, পাম্বী চারা শেম্বগী অমসুং মরুশিং শেমগৎপগী থবকশিংদা চাউখৎলকখ্রে, হেঙ্গৎখ্রে। স্কুল, কলেজগী মহৈরোইশিং, এনসিসি কেদেটশিং, খুঞ্জাশিংনচিংবশিংসু উ থাবা অমসুং উমং য়োকখৎপগী থবকশিংদা য়াওশিল্লক্তুনা মুভমেন্ট অমা ওইখ্রে, ৱাইল্ডলাইফ ৱিক মায় পাক্লা পাঙথোকপসু ঙম্লক্লে অসিনচিংবা। পনবা য়াবা য়ান্না শিংথানিংঙাই ওইবা থৌদোক অনী খক পনবা তারবদা– হৌখিবা চহী ১০, ২০০৮–২০১৮ গী মতমদা অসামগী ই টি এফ না উ পাম্বী লাক্ষ ৬০ থাবা ঙমখি অমসুং মীওই ১০০ (ই টি এফ) কী ১৯১২দা পুং ১দা পাম্বী চারা ৪০, ৮৮৫ থাদুনা গিনিস বুক ওফ ৱার্ল্ড রেকোর্দ চনবা ঙমখি।

অসিগুম্বা ভারত লৈঙাক্কী ইকোলোজি অমসুং ইনভাইরোনমেন্ট ঙাক শেন্নবগী অমসুং শেমগৎনবগী লৈরিবা ই টি এফ অসি মণিপুরদসু য়ুনিট অমা নত্রগা অনী লিংখৎতুনা ষ্টেট অসিনা য়ান্না ৱানা মায়োক্নরিবা আইন্না য়াদবা মওংদা পাক শন্না কানি পাম্বী। পোপ্পী প্লান্টেসন তৌরিবা অমদি মসিগী মহৈ ওইনা লৈবাক লৈহাও মাঙহল্লিবা, ঈশিং মরাং কায়না ফংবা ৱারিবা, তুরেল–পাৎ কংশিল্লক্লিবা ময়াম অসি থেংননবা অমদি চীংগী লমশিং অশং অমানতনা থনবা মফম ওইহন্নবা লিংখৎপা মথৌ তারে। লোয়ননা মীয়াম অমদি সিএসও শিংনসু মতেং পাংশিনবা মতম ওইরে হায়জনিংঈ।

**অইবাঃ থাংজম রঞ্জিৎ**

**MANIPUR LEGISLATIVE ASSEMBLY**
**SECRETARIAT**

**NOTIFICATION**
*Imphal, the 27th May, 2026.*

*No.01/02(05)/2026-LA(E):* In partial modification of this Secretariat notification of even number dated 22/05/2026, it is informed to all the intending candidates for direct recruitment to the post of Driver, Mali, Sweeper and Multi-Tasking Staff (MTS) in the Manipur Legislative Assembly Secretariat that the new dates for issue of forms and submission of forms are hereby listed in the table below during office hours:

| Particulars | Dates notified earlier | Revised dates |
|---|---|---|
| *Issue of forms* | *27/05/2026 to 30/05/2026* | *29/05/2026, 01/06/2026, 02/06/2026 and 03/06/2026* |
| *Submission of forms* | *01/06/2026 to 03/06/2026* | *08/06/2026, 09/06/2026 and 10/06/2026* |


Sd/-
(G. Tapankumar Sharma)
*Addl. Secretary, (Admn.),*
Manipur Legislative Assembly.

WK.21 (B)M A/28 may













Owned, Published & Edited by **Ningombam Hemantakumar** & Printed by him at Hiyai Advance Offset Printers, Keishampat Thiyam Leikai Machin, Email: wayelkati6@gmail.com Tel. No. **9856088733**